# ইন্দিয়াগী নিংথৌশিংদা পীরম্বা ‘প্রিভি পর্স’ কী খুদোংচাবদি পীখিদবা কুইরে, অদুবু কুকি নিংথৌশিংদি ঙসিসু লমগী অসুপ্পা মপু ওইরি!

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

তাইবঙ মীওইবনা ফজ-ফজরবা, থাক ৱাংলবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ কয়া ঙাঙ-শল্লগা ফজবা ফীজেল শেত্তুনা মপান্থোংদা চাওখৎপা শাবা, অদুগা তৌথোক্লকপা থবক্তনা তাকু-তাকাটি, হুরান-চীন্থী অমসুং খূবাক ময়ায়দা শগুন তৌবগুম্বা থৌওং ঙাক্তা ওইদুনা, পোকপদা হৱাউদবা, শিবদা কপ্পীংদবা মীশক ওইরম্বা অসিসু থেংনদবা নত্তে। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা তৌবা ঙম্বগী চাং অসি কয়াগী মতীক ৱাংবগে হায়বদা ময়ূম-মকৈ পূন্নমক তুম্না মৈ থাদোকপীরবা, অদুগুম্বা মথক থোংবা অঙম-অথৌশিং অদুনা য়াররোই হায়রক্লবা, ওইররোই হায়না লাউথোরক্লবা ফাওবদা, মখোয়গী ওইনদি - লৈবাক অসি মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লে, দেল্লীনা খল্লকপা মীশক অমনা চীফ মিনিষ্টর ওইবদা মখোয়সু য়ারে হায়না করিসু তৌদবগুম্না নীংঙাইদনা লৈথোকপা ঙম্লি।

মখোয়না য়েংলিবা মীৎয়েংনা ইকুই কুইদনা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল অসিনি, অমসুং হৌজিক থল্লিবা পি আর অসি থা তরুক ফারক্কদৌরবা মরম্না মসি মখা শাংথহনবা তৌদনা লৌথোক্লগা বি জে পিগী হায় কম্মান্দনা মীখল মমাঙদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শোয়দনা শেল্লক্কনি হায়বগী থাজবা অমদা পার্টি অসিগী এম এল এশিংনা ইঙা-ইঙেনগী মতমদা হঙোই ময়াম্না মকুম-মথা য়ৌরক্তুনা গো-গা, গো-গা খোংবগুম্না মহৈ-মহৈ ইলাঙ লাঙনরকপনি। মতাং অসিদা ঐখোয়না খঙগদবদি কুকিগী প্রোক্সি ৱার নৎত্রগা মীওই কাঙলুপ অসিবু শীংচেপ ওইনা শীজিন্নদুনা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি অমা শান্নরক্লিবা অসিদি লোইলম-লৈঙাক মতমগী বৃটিশ অমদি ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলবা মতুংগী কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনচিংবা নেশনল পার্টি পূন্নমক অসিনা পরীং নাইনা চত্থরক্লবা থৌওং অমনি হায়বসিনি। অসিগুম্বা কুকিগী শীংচেপ অসিবু লৈবাক অসিগী ময়ায় লমদা লৈরিবা আর্য়ানশিংগা শক-চুমান্নদবা ইন্দো-মোঙ্গোলোইদশিংনা নম্না খুন্দাবা অৱাং-নোংপোক লমদম মরু ওইনা মণিপুরদা ঙসিসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়াম্না হৈ-শিংনা শীজিন্নরি।

মথংগী মীখল মতুংদা কোংগ্রেসনা নৎত্রগা বি জে পিনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেল্লকপা য়াই, অদুবু কনাগুম্বা পার্টি অমত্তগী মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিংনা দেল্লীগী অসিগুম্বা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ওইবা অখন্নবা ‘কুকি-শীংচেপ’ হায়না খঙনবা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি অসিগী মায়োক্তা থৌনা ফনা লেপ্পুবা ঙল্লোই, মরমদি মদুনা মখোয়গী পোলিটিকল করিয়রদা অকায়বা থোকহনগনি। হায়রিবা পোলিসি অসি কয়াগী মতীক মণিপুরদা মরা লুনা তাখ্রবগে হায়ববু ইকুই কুইদনা ষ্টেট অসিগী দবল ইঞ্জিন বি জে পি গভর্ণমেন্টতা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা এন বিরেনগী লৈঙাক অদু ফাওবা কন্সটিট্যুশনগী চৎনরোল কয়া থুগাইদুনা থুপচিল্লগা পি আর থমখি।

অমরোমদা, কুকিশিংনসু মখোয়বু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শীংচেপ ওইনা শীজিন্নবগী মমল ওইনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশননা পীরিবা চৎনরোল কয়া থুগাইদুনা মনীং-মখা তম্না পাল্লি। নীংতম্বা ফংলবা মতুংগী ইন্দিয়াদা মীয়াম্না মীয়ামগীদমক্তা শেমজবা দেমোক্রেসি হায়বা লৈঙাক্লোন মখল অসি চৎনরকপগা লোয়নননা কুমজা ১৯৭১দা কন্সটিট্যুশনগী ২৬শুবা এমেন্দমেন্টনা ‘প্রিভি পর্স’ হায়না খঙনবা, লৈবাক অসিগী হান্নগী নিংথৌশিংদা পীরম্বা শেলগী তেংবাঙ অদু পীবা লেপখি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি-অসিগুম্বা মখলগী অখন্নবা খুদোংচাবশিং অসিবু অকক্লবা মীওই খরদা ফংহনবা হায়বসি কন্সটিট্যুশনগী য়ূম্ফম ওইরিবা দেমোক্রেসি, ইক্বেলিটি অমসুং সোশল জষ্টিস হায়রিবা হীরমশিং অসিগা শাগোন্নবা প্রিন্সিপলশিং অদুগা তায়োন্নবা থৌওংনি হায়বা অসিনি।

অসুম্না, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী নিংথৌশিংদা পীরম্বা খুদোংচাবশিং অদু ফাওবা পীখিদ্রবা মতম অসিদা করিগীদমক্তা কুকি ত্রাইবকী খুল্লাকপশিং নৎত্রগা নিংথৌশিংনা ঙসি ফাওবদা কুকি খুলশিংগী লম, মিলিটরি, এগজিক্যুটিভ, লেজিসলেটিভ অমসুং লিগেল পৱার হায়রিবশিং অসিগী অসুপ্পা মপু ওইদুনা লৈরিবনো? ৱাহং অসিগী পাউখুম অদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীনা মণিপুরগী মীয়ামদা পীফম থোকই। মরমদি, কা হেন্না মনীং মখা তল্লবা কুকি খুল্লাকপশিংনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী চৎনরোল থুগায়দুনা, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অতোপ্পা য়েলহৌমীশিংগী মথক্তা কনাবুসু অকিবা লৈতনা লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং কয়ামরুম লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা অসি কুকি নিংথৌশিংনা পায়রিবা অন-কন্সটিট্যুশনল ওইবা পৱারশিং অসিনা মথৌ শঙদুনা য়ারনি মতাগুম হেক্তা তৌরকপনি হায়বা য়াই।

কুকিশিংবু কনানা লমগী মপু ওইবা তম্বীখি ? কুকিশিং অসি করিগুম্বা মফম অমত্তদা লৈতানা লৈতাবা অমসুং কোয়চৎ চত্তুনা হিংবা মীওই কাঙলূপ অমা ওইরম্বদগী, বৃটিশ লোইলম লৈঙাক মতমদা লৈরম্বা মেকলোক হায়রিবা পোলিটিকল ওফিসর অসিনা ‘বফর পোলিসি’ হায়বা অমা শেমদুনা মণিপুরগী চীংগী মফম শীনবা থুংনা চোইনা চোইনা খুন্দাহনখিবনি। থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা নাগাশিংনা মখোয়গী তোঙানবা মনীং তম্বা লৈবাক ‘নাগালিম’ হায়বসি শেম্নবা হোৎনরকপদা অচৌবা পল অমা ওইখি অমসুং কুমজা ১৯৯০গী মতমদা নাগা অমদি কুকি ফুরুপ অনীগী মরক্তা অচৌবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং থোক্লকখি। মেকলোক্কী বফর পোলিসি অসিনা কুকিশিংবু মণিপুরদা ওফিশল ওইনা লমগী মপু ওইবা তম্বীবগী অহানবা তাঙ্কক্লি।

অনীশুবা তাঙ্কক্না - কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী চত্থরক্লিবা কুকিনা মীতৈদা লান্দাবগী থৌওংশিং অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মেকলোক্কী ‘বফর পোলিসি’ অসি মখা তানা চত্থদুনা ষ্টেট অসিগী চীংখোঙ-চীংয়াদা খুন্দাবা তম্পাক্কী খুঙ্গংশিংগী মনুংদা ‘বফর জোন’ হায়বা অচৌবা লানগী লমখৈ অমা শেমজিল্লকপা অসিনি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা মরম ওইদুনা মশাগী মরৈবাক মনুংদা মীতোপকী মতৌগুম্না লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওই ৬০,০০০ হেনবনা মশা-মশাগী খুঙ্গংশিং অদুদা অমুক হঞ্জিন্দুনা লৈরুনবা হোৎনবদা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থিংদুনা চঙহন্দ্রি, অদুগা অমরোমদা কুকিশিংনা তম্পাক্কী লম শরুক য়াওনা মখোয়না মপু ওইবা লমগী ঙমখৈ চাউথোক্লগনি হায়না নুংঙাইবা ফোঙদোক্নরি।

অসিগুম্বা ইন্দিয়ান দেমোক্রেসিগী মরিং-মরাংবা থৌওংশিং অসি থিংবা ঙম্নবা অমসুং ষ্টেট অসিদা তুং কোইনা মরা তপ্পগী ফীভম অমা পুরক্লবগীদমক্তা ‘মণিপুর হিল এরিয়াজ (এক্বিজিশন ওফ চীফস রাইট) এক্ট, ১৯৬৭ অসি চৎনহনবগী মথৌ তারক্লি। ইমুং অমনা নৎত্রগা শাগৈ অমনা চাথাঙ-শুথাঙ মথং-মথং নিংথৌ ওইবগী চৎনবী অসি অৱাং-নোংপোক লমদমগী মনুংদা মণিপুরদা লৈরিবা ‘ন্যু কুকি’ হায়বা নৌনা চঙলকপা কুকি কাঙলূপ অসিখক্তনা চৎনবনি। মখোয় অসি নিংথৌ নরসিংহনা পানবা মতম অমসুং মহাক্কী মতুংদা বর্মা (ম্যান্মার) গী চিন হীলস অমদি লুশাই হীলস (মিজোরাম) হায়রিবা লমদমশিং অসিদগী মণিপুরদা চঙলকপনি।

পনবা য়াবদি, ন্যু কুকি হায়বা মমিং অসি বৃটিশকী অইবশিংনা থোল্লম্বনি। হায়রিবা নৌনা চঙলকপা কুকিশিং অসিগী মমাঙদা লৈরম্বা ‘খোংজাই’ নৎত্রগা ‘খোংশাই’ শিং অসিবু ‘ওল্ড কুকি’ হায়না বৃটিশনা মশক তাক্লম্মী, অদুবু অরিবা কুকিশিং অসিগী ওইনদি অকক্লবা শাগৈ অমগী মচা-মশুনা খুলগী খুল্লাকপা নৎত্রগা নিংথৌ ওইবগী চৎনবী অসি লৈতে অমসুং মখোয়গী খুল্লাকপশিংনা খুলগী লম পূন্নমক্কী অশুপ্পা মপু ওইবসু তৌদে। ওল্ড কুকিশিং অসিদি লৈবাক নিংথৌগী মখাদা মণিপুরী খুন্নাই অসিগী অপূনবা কয়াৎ অমা ওইনা লৈরম্মী।

অসিগুম্বা ন্যু কুকিশিংগী ঈ মরীদগী শমথরকপা কুকি নিংথৌশিং অসিনা উমংগী লম য়াওনা খুলগী লম পূন্নমক্কী মপু ওইবগা লোয়নননা ৱায়েল-থৌদা তৌবা, চৎন-কাঙলোন শেম্বা অমসুং লান্মী শঙলূপ লিংবা অসিনচিংবা থবক কয়াসু পাঙথোকই। মহাক্না খুলগী লান্মী শঙলূপকী কমান্দর-ইন-চীফসু ওই, অদুগা অতোপ্পা কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা মরী লৈনবগী থবকসু তৌই। হায়রিবা ত্রাইব মচা অসিগী নিংথৌশিংগী মশাদা লৈরিবা মতীক-মঙমশিং অসি য়াম্না কা হেনমল্লক্তুনা ষ্টেটকী লৈঙাক্তা চাউনা শীংনরকপা মরমদগী বর্মাগী চিন হীলসতা কুকিগী নিংথৌ হায়বা ফম অসি কুমজা ১৯৪৮দা মুখৎখি। মসি অসামদসু ষ্টেট অসিগী গভর্ণমেন্টনা “দি অসাম লুশাই হীলস দিষ্ট্রিক্ট (এক্বিজিশন ওফ চীফ’স রাইট) এক্ট, ১৯৫৪” অসি পাস তৌদুনা লুশাই হীলস দিষ্ট্রিক্টতা (হৌজিক্কী মিজোরাম) চৎনহনখিদে।

মতৌ অসুম্না, ঈ মরীদা য়ূম্ফম ওইবা কুকি নিংথৌগী চৎনবী অসি অৱাং-নোংপোক লমদমগী মনুংদা শুপ্পগী মণিপুরখক্তংদা লৈরকপদগী, কুমজা ১৯৫৬তা ষ্টেট অসিগী গভর্ণমেন্টনা “দি মণিপুর (ভিল্লেজ ওথোরিটিজ ইন হীল এরিয়াজ) এক্ট, ১৯৫৬ (৮০ ওফ ১৯৫৬)” অসি চৎনহন্নবা হোৎনবদা কুকি নিংথৌশিংনা অকন্নবা ঈরাং অমা হৌরকপগা লোয়নননা পান-কুকি সোশল ওর্গনাইজেশন, কুকি নেশনল আর্মি (কে এন এ) না থিংকানফাই হায়রিবা খুল অসিদা মীটিং অমা পাঙথোক্লগা তোঙানবা কুকি ষ্টেট অমা শেমগদবনি হায়না কুমজা ১৯৬০দগী দিমান্দ তৌবা হৌরকখি।

মতুংদা, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অমুক হন্না কুকি খুল্লাকপগী ফম অসি মুখৎনবগীদমক্তা কুমজা ১৯৬৭কী জন্যুৱারী ১০দা “দি মণিপুর (হীল এরিয়াজ) এক্বিজিশন ওফ চীফ’স রাইট এক্ট, ১৯৬৭” অসি লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পাস তৌখি। এক্ট অসিবু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা কুমজা ১৯৬৭কী জুন ১৪দা অয়াবা পীরকখি অমসুং হায়রিবা চহী অসিগী গেজেট নম্বর ৬১-ঈ-৫০ দা কুমজা ১৯৬৭কী জুন ২০দা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক মতম অদুগী ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা স্পিকর ওইবা মীওই অদুনা চৌক্রি মুন্নবগী লাল্লোং অমা ওইনা ফম থাদোকখিবা মরমদগী মণিপুরদা কুমজা ১৯৬৭কী ওক্টোবর ২৫দা সেন্টরনা প্রসিদেন্ট রুল থমজিল্লকখি, অমসুং অসিগুম্বা লৈঙাক্কী চরাংনবা মরক অসিদা কুকিশিংগী নিংথৌ চহুমলোমনা হায়রিবা এক্ট অসি চৎনহনবা য়ারোই হায়না অকনবা ঈরাং অমা হৌরকখি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা থোকখিবা য়াম্নমক অঙকপগী মশক ওইরবা থৌওং অমদি - কুকি নিংথৌশিংগী ঈরাং অদু লোইশিনখিবগা লোয়নননা গেজেটতা ফোঙদোকখ্রবা এক্ট অসিগী কপি পূন্নমক অদুসু মফম ইখঙ খঙহৌদনা মাঙখিবা থেংনখি অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কপি অমত্তা থিবা ফংখিদে। মতম অদুদা টি কিপগেন কৌবা কুকিগী আই এ এস ওফিসর অমনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী হোম সেক্রেটরি ওইখি, অমসুং মহাক মতুংদা চীফ সেক্রেটরিগী ফম অসিসু পায়খি। মতৌ অসুম্না মাঙখ্রবা এক্ট অসি হৌজিক হিংলিবা মণিপুরগী অনৌবা মীরোলনা খঙনদ্রবসু ঐখোয়না ঙসি মায়োক্নরিবা অৱা-লান লাকপা মানবা খুদোংথীবা ফীভম অমসুং অৱা-অনা মরক অসিদা নৌহৌননা থিদোক্তুনা নৈনরগা লোগী মতুংইন্না চৎনহন্নবা হোৎনবা চুমগনি।

কোটু, আই টি এল এফ অমসুং কুকি ইনপী অসিনচিংবা কুকি-নার্কো-টেররিষ্টশিংগী লূপশিং অসি কুকি খুল্লাকপশিংগী খূদূম মখাদা লৈবা ঙাক্তনি। ঙসি ফাওবদা কুকি মীচমশিংগী মশাগী অশেংবা লম হায়বদু লৈজদ্রি। নোংমগী হাতে-হাতে শু-নোমদুনা হিংলিবা লায়রবা কুকি মীচমশিংনা মখোয়গী নিংথৌশিংগী থৌজাল মখাদা মীনাই-নাইথাংগী পূন্সি-মরেলদা হিংনরি। মখোয়বু নিংথৌশিং অসিনা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নরি। কুকি-নিংথৌ অমসুং কুকি নার্কো-টেররিষ্ট অনী অসিনা লৌতুনদুনা লায়রবা কুকি মীয়াম অমদি কুকি নহারোলশিংবু পোপী পান্বী থাহন্নবা শিন্মী-কাঙলূপ অমা ওইনা শেমগৎপতা নত্তনা মখোয়বু মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দাবা টেররিষ্ট ওইহন্দুনা মীহাৎ-মীপূনগী থবক কয়া লেপ্পা লৈতনা চত্থহল্লি অমসুং মণিপুরদা লৈরম্বা মরা তপ্পগী ফীভম অদুদা অমুক হঞ্জিনহন্দনবা নৎত্রগা মীয়াম্না নীংতম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা থিংহন্নবা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লম অমবু ‘রিজার্ভদ/প্রোটেক্টেদ’ ফোরেষ্ট ওইরে হায়না লাউথোকপদা কুকি নিংথৌশিং অসিনা - মসিদি কুকিগী চৎনবীগী মতুংইন্না নিংথৌগী লমনি হায়না অথিংবা পীদুনা শীংনরি। মরম অসিনা চীংদা লৈবা উমংগী লমগী মপু কনানা ওইগদগে হায়বসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট অমসুং নিংথৌশিং অসিগা মুক্নরকপা অসিসু হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিগী হৌরকফম মরূশিং অদুগী মনুংদা অমনি হায়বা য়াই।

কুকি নিংথৌ, কুকি খূৎলায় পায়বা অমসুং দ্রগ লল্লোন্দুনা মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা কুকিলেন্দ কৌবা তোঙানবা লৈবাক অমগী দিমান্দ মরুমদা মীতৈ অমসুং কুকি ফুরুপ অনী অসিবু খাইবুং খাইবুং তাহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মখোয়না কুকি নিংথৌশিংগী খূবাম্নুংদা হিংবা চমজরবা কুকিশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরি, কুকিনা মপূং ওইনা খুন্দাবা মফমশিংদা মীতৈশিংবু চঙহন্দ্রি অমসুং কুকিশিংনা ইম্ফাল তম্পাক্তা চৎপদসু অথিংবা থল্লি।

অসিগুম্বা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমসুং খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওই কাঙবুশিং অসিনা মখোয়গী পোলিটিকল ওইবা পান্দমশিং অদু ফংনবগীদমক্তা কুকি অমসুং মীতৈ ফুরুপ অনী অসিবু খূৎ থোক্নহন্দুনা, ষ্টেট অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীয়াম অসি লৈতাফম খঙহন্দনবা, কন্সটিট্যুশননা য়াদবা ঈমু-নাইমু তানবগী পান্বৈশিং শীজিন্নরিবা ‘কুকি নিংথৌ’ হায়বা ফম অসিবু লৈবাক অসিগী লোনা অয়াবা পীফম থোক্তে। নিংথৌশিং অসি কয়াগী মতীক কা হেন্না মথৌনা ফবগে হায়বদা - য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মার্চ ৮ ফাওবগী মনুংদা মীয়াম্বু ষ্টেট অসিগী লম্বী পূন্নমক্তা মনীং তম্না চৎপা য়াহনগদবনি হায়না তাউথরকখিবা য়াথং অদু ফাওবা উশিৎ-থৌওইখিদে।

অমরোমদা, কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৭১-সি অসিগী মতুংইন্না য়ুনিয়নগী এগজিক্যুটিভ পৱার অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মফমদা শিন্নদুনা হায়রিবা হীল এরিয়াশিং অসিবু ঙাক-শেলহল্লম্বসু য়াবনি। অদুবু মদুমক তৌখিদবা মরম্না মণিপুরদা কুকি-জো মীয়াম্না কন্সটিট্যুশনগী মায়োক্তা লৈরিবা কুকি নিংথৌশিংগী তেংবাঙগা লোয়নননা থোকহল্লিবা হাৎন-শুনবগী থবকশিং অসি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা নাকোইননা থোকহনবনি হায়বা য়াই। ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌবগা লোয়নননা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীরবা এক্ট অমবু চৎনহনবা ঙমখিদবা অসিসু ষ্টেটকী অচৌবা অরানবা থৌওং অমনি।

হায়রিবা এক্ট অসি মতম চানা চৎনহল্লম্বা তারবদি কুমজা ১৯৯২-৯৪দা থোকখিবা নাগা-কুকি অনীগী হাৎন-শুনবা, কুমজা ১৯৯৭-৯৮গী পাইতে-কুকি খূৎ থোক্লবা, অমসুং হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসি থোক্লমদবসু য়াই। কুকি নিংথৌশিংগী কন্সটিট্যুশননা য়াদবা, কা হেন্না মনীং মখা তম্বা মতীক-মঙমশিং অসি “মণিপুর (হীল এরিয়াজ) এক্বিজিশন ওফ চীফ’স রাইটস এক্ট, ১৯৬৭” অসি চৎনহল্লবদি লৈহন্দবা য়াগনি। ●

# অমম্বদগী অঙানবদা চৎপা খোঙচৎ - (৪)

## *আই পি পি এন দব্লিয়ু কেনয়া, এপ্রিল ২০২৩*

## (ইন্টরনেশনল ফিজিসিয়ান্স ফোর দ প্রিভেন্সন ওফ ন্যুক্লিয়র ৱার)

**- ডা. সাধনা নিংথৌজম -**

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

খোঙচৎ অসি কয়াগী মতীক পাক-চাউনা চৎপগে হায়বদা- স্কৱার কিলোমিটর অমা খুদীংগী শা ১,০০০গী চাংদা চৎপা মরম্না অতিয়া থক্তগী য়েংথরকপদা উবা ফংই। অসিগুম্বা মশীং থীঙমদ্রবা শগুপ শায়বা শাশিং অসিনা অশং-অমান হেন্না হৌবা চাক্তাফম থিরকপদা সেরেনগেটি তুরেল লান্দুনা চৎপগী থৌওং অসি মীফম হোংবা ঙমদবা অঙকপা মতৌ অমনি।

Wildebeest মপৈ মপৈনা অতৈ শা মপাংশিংগা লোয়নননা শজীক চাফম অমসুং ঈশিং থিরকপদা মাঙলমচত্তগী হৌনা শীজিন্নরক্লবা লম্বেল-পরিং অমদা চৎলি। শাশিং অসিনা গোরোনগোরো কঞ্জার্ভেশন এরিয়া মনাক্তা লৈবা তাঞ্জানিয়াগী সেরেনগেটি মনুং চনবা খাথংবা শরুক্তা মচা পোক্লবা মতুংদা কেনয়াগী মাসাই মারা তম্না সেরেনগেটিগী মথক থংবা শরুক ফাওরগা চৎলি অমসুং চহী লোইরমদাইদা অমুক হল্লকই।

খোঙচৎ অসিদা চৎলিবা শা মশীং অসি অঙকপগী মশক্লি : Wildebeest মিল্লিয়ন ১.২ অমসুং জেব্রা ৩০০,০০০না অতৈ শা-ষণশিংগা লোয়নননা কুম খুদীংগী সেরেনগেটি-মারা ইকোসিষ্টম অসি ফাওদুনা অহাউবা নাপী অমসুং ঈশিং থিবা চৎলি।

Wildebeest শিং অসিনা হিংবা ঙম্নবা হোৎনরকপদা শা অমমম্না থায়নদগী চৎনরক্লবা লম্বী-পরিং অসিদা কিলোমিটর ৮০০দগী ১,০০০ ফাওবা শাংনা চৎলি। ‘দি গ্রেটেষ্ট শো ওন আর্থ’ হায়নসু খঙনবা অসিগুম্বা মহৌশা খূৎশেমগী কুন্ধো অসিদা নোংশা, কবোকৈ, চিতা, হায়েনা, লমহুই অমসুং গুন্ডীরনচিংবা চরাম্নরবা শাহিং চাবশিংনা অশোন-অনাশিংবু ফারগা চাথোকই অমসুং মপাঙ্গল কনবশিংনা নান্থোক্তুনা চেনখি।

খোঙচৎ অসি খুদোংথীবতনা থল্লবা খোঙচৎনি; ষণনাউ মচাশিংবু শাহিং চাবশিংনা লাক্তুনা চেনখিগনি, কয়া কন্না চৎপা ঙমদবশিং অদুবুনা মপাঙ্গল কল্লবা নোংশানা ফারগা চাগনি, তুরেলগী অঙম্বা তোর্ব্বান্দা কাখৎনবা হোৎনবদা মথৌনা ফরবা শা কয়াগী মখোঙ তেক্কনি, ঈশিংদা নাইতোম তাহৌবশিংনা গুন্ডীরগী শরুক ওইগনি অমসুং মশা শোনমনবদগী চৎপা ঙমদ্রবশিং অদুনা ঈরাক্লদুনা শিগনি।

অনৌবা ষঞ্জাবুং থিরক্লিবা শা কাঙলূপশিং অসিনা নাপী চাবগী মওং অসিসু অমগা অমগা মান্নদে : কাঙলূপ অমনা খ্বাইদগী ৱাংনা হৌবা নাপীগী মতোন অদুখক্তমক থৎলগা চায়, মথংগী কাঙলূপ অমনা ময়ায় ওইরপ ৱাংনা হৌবা নাপীশিং অদু চাগনি, মমৈথংদা পুমকোক কোক্লা চাথোক্কনি, অদুগা ষল্লুপশিং অদু মাঙলোমদা অমুক চৎখিগনি। ৱাফম অসিনা তাক্লিবদি খরগী মখৈ মান্নদবা তারবসু কাঙবু খুদীংগী মশাগী ওইবা চৎনবী অদুদগী হেন্দোক্তে হায়বসিনি। সেরেনগেটিগী মফম পূন্নমক্তা হৌরিবা নাপীশিংগী মনুংদগী তম্পাক্লমদা হৌবা নাপীনা প্রোটিন খ্বাইদগী হেন্না য়াওই অমসুং কেলসিয়ম য়াওবগী চাং অসিসু হেল্লি।

Wildebeest শিং অসিনা মতৌ করম্না মখোয়না চৎকদবা লম্বী খঙলিবনো হায়বসি ময়েক শেংনা খঙনদ্রি, অদুবু মখোয়না চৎলিবা লম্বেল অসি মপূং ওইনা নোং-চীংগী ফীভম্না খঙহনবা ওইগনি হায়না থাজনৈ, মখোয়না নোং চুবা অমসুং অনৌবা নাপী হৌগৎলকপগী খূদূং ইন্না চৎলি।

ৱাফম অসিগী সাইন্টিফিক ওইবা খুদম হায়বদু লৈতবা তারবসু অখঙ-অহৈ খরনা শাশিং অসি অথাপ্পদা নোংথাং কুপ্পা অমসুং অখাক-অরাউগা লোয়নননা নোংলৈ-নুংশিৎ শীৎপদা মদুগী খোঙ্গুল লীদুনা চৎলি হায়না থাজনৈ। Wildebeest শিং অসি কিলোমিটর ৫০ হেন্না লাপ্পা নোং চুবা মফম খঙবা ঙম্মী হায়নসু খন্নবা য়াওই।

অসিগুম্বা মশীং য়াল্লবা Wildebeest শিংগী মপৈ অসিনা তুরেলগী ঙল্লবা তোর্ব্বানশিংদগী খোংনুংদা চেল্লিবা ঈশিং তম্না চোংথরকপগী থৌওং অসি অঙকপা কুন্ধো অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। থৌওং অসিগী মহয় ওইনা য়াল্লবা শায়াম অসিনা পাক-চাউরবা মাসাই মারা তম্পাক্লমদা হৌরিবা নাপীশিং অদু মবুক থন্না চাবা ফংই। মখোয় পূন্নমক মতম খরদি নুংঙাইনা হিংগনি। অদুবু চাননবা চীঞ্জাকশিং অদু ময়েং তারকপা অমসুং নোংনা অতিয়াদা পাইদুনা চৎখিবগা লোয়নননা মখোয়সু মফম অদু থাদোক্তুনা অমুক চৎখিগনি।

Wildebeest, জেব্রা অমসুং শজিশিংগী কাঙবুনা মাসাই মারাগী লমদমদা চঙলকপা মতমদা থেংনবা তমথীরবা শাহিং চাবশিংগী চাং অসি মখোয়না মহৌশা ওইনা থেংনবা অদুদগী য়াম্না হেল্লি। শায়াম অসিনা নোংশা অমসুং কৈনচিংবা হৌদোং-শাগৈগী অচৌবা শাহিং চাবশিংগী অকিবা অদু মায়োক্লবতা নত্তনা মখোয়না মারা তুরেলগী অনৈবা ঈশিং অদু লান্থোক্তুনা চৎপা মতমদা গুন্ডির ৩০০০ হেনবগসু থেংনৈ।

**দি গ্রেট মাইগ্রেশনগী মরু ওইবা ৱাফমশিং** - দি গ্রেট মাসাই মারাগী ইকোসিষ্টম অসিদা নীংথিনা য়োকখৎতুনা থল্লিবা অপূনবা লমগী পাক-চাউবা অসি স্কৱার কিলোমিটর ১,৫১০ (স্কৱার মাইল ৫৮০) মুক ওইগনি। হায়রিবা মফম অসি তাঞ্জানিয়া অমসুং কেনয়া অনীগী হেক্টর ২৫,০০০ (একর ৬২,০০০) পাক-চাউবা মারা সেরেনগেটি ইকোসিষ্টমগী অৱাং খম থেংবা শরুক্নি। রিজার্ভ ফোরেষ্ট অসিদগী থোক্লকপা ঈশিং পূন্নমক মারা তুরেলনা মসিগী মসা-মরেংশিং ওইরিবা সেন্দ অমসুং টালেক হায়রিবা তুরেলশিং অসিগা লোয়নননা সমুদ্র তম্না পুথখি। অসিগুম্বা তুরেলশিং অসিগী পরিংদা লৈবা লমদমশিংদা নাপী-শীংবী অমসুং উপাল-ৱাপাল কয়া মরাং কায়না হৌবতা নত্তনা চীংশাং পূন্নমকসু অশং-অমানতনা পীক থলহল্লি।

রিজার্ভ ফোরেষ্ট অসিগী লম্মীৎ-তুমিৎকী মওং অসি অয়াম্বনা নাপী-শীংনাং হৌবা লম্মাং-লমজাউ অমসুং কুম নাইনা চেনবা খোংলম মচা-মচাশিংনা শাবনি। খা-নোংপোক থংবা মায়কৈদা উনিংথৌ, খোংনাং অমসুং খঙ্গ্রা পান্বীনচিংবা একাসিয়া শাগৈগী উপালশিংনা চোল্লপ চোল্লপ হৌরি। নোংচুপ থংবা ঙমখৈগী লমদমদনা ইথিওপিয়াগী রেদ সিদগী কেনয়া, তাঞ্জানিয়া, মালাৱি ফাওদুনা মোজাম্বিক য়ৌনা কিলোমিটর ৫৬০০ লোম শাংবা ইষ্ট আফ্রিকান রিফ্ট (লৈকুৎ অশাংবা) গী ইসোইট (সিরিয়া) ইস্কার্পমেন্ট হায়বসি লৈরি। ● *(মখা চত্থজরকখিগনি)*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৭কী ৱাহং**

১) “পি শিন্থরগবু অৱাবা কৌরবদি
ইঙা থাদা নোং চুরি
লৈচিলনা অৱাবা খঙবরা!
ঐদি কপ্পে, অদুনা ৱাদে খল্লবরা?”

মথক্তা থমজরিবা অসি লিরিকেল পোইম অমগী অহৌবদা য়াওবনি। লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) “অমম্বা যুগ” (১৯৯৯) হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা ত্রান্সলেশন তৌবনি। ত্রান্সলেটরগী মমিং অমদি ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং করি কৌবগে?

৩) “কোয়মাঙ মাঙবা খোঞ্জেল ইহুল” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) “ইনেবেম্মা” হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু। অইবা অসি কনানো?

৫) “থৱায় মঙা” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।